# কোভিদ-১৯ গাইদলাইনশিং চৎনবগী মতম সেন্টরনা জন্যুৱারী ৩১ ফাওবা শাংদোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী): লৈবাক অসিদা কোভিদ হেল্থ গাইদলাইনশিং চৎনবগী মতম য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা জন্যুৱারী ৩১, ২০২২ ফাওবা শাংদোকখ্রে অমসুং ষ্টেটশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা গাইদশিংদু চেকশিন্না ঙাক্লবা দিরেক্সন পীখ্রে।

ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংগী চীফ সেক্রেটরি পুম্নমক্তা ইবা লেট্টর অমদা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অজয় কুমার ভাল্লানা হায়, লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেস মশিং হন্থরকপা উরবসু য়ামদ্রবদা দেল্টা ভাইরসতগী লৌনগনবা শরুক অহুম হেনবা অনৌবা ভেরিএন্ট ওমিক্রোনা কোভিদ লাকশিনবগী থৌরাংশিংদা অনৌবা চেলেঞ্জ অমা পীরি।

ওমিক্রোনন্না কোভিদ কেস ৱাংহল্লিবা লৈবাকশিংদা কেস হেনগৎপগী চাং অসি য়াম্না ৱাংই। মসিদা নত্তনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ু টি-১৯ পূন্না ওমিক্রোন কেস ৫৭৮ রিপোর্ট তৌখ্রে।

ফিভম অসিদা চেকশিন-থৌরাং পুম্নমক চেকশিন্না ইন্নবা ঐহাক্না অমুক হন্না ষ্টেট/য়ু টি পুম্নমক্তা আপীল তৌরি। লোকল/দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা লোকল ফিভমদা য়ূম্ফম ওইরগা লাইচৎ লাকশিন্নবগী চান্নবা থৌরাংশিং থুনা লৌখৎকদবনি অমসুং ষ্টেটশিংনা মথৌ তাবগী মতুং ইন্না কুম্মৈগী মতমদা মীয়াম পুনবা লাকশিন্নবগী থৌরাংশিং লৌখৎপা য়াই হায়না ভালানা লেট্টর অদুনা পনখি।


হোম সেক্রেটরিনা মখা তানা হায়, মালেমগী ওইনা ওমিক্রোন কেসশিং লৈবাক ১১৬তা থেংনরে। ভেরিএন্ট অসিগী কেসশিং লৈবাক কয়াদা মরু ওইনা য়ু এস এ, য়ু কে, য়ুরোপ (ফ্রান্স, ইটালি, স্পেন), রুসিয়া, সাউথ অফ্রিকা, ভিয়েটনাম, ওষ্ট্রেলিয়াদা লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। ফিভম অসিদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা দিসেম্বর ২১, ২০২১ দা নোর্মেটিভ ফ্রেমৱার্ক ওইনা এদভাইজরি অমা ইস্যু তৌখি।

দেল্টা ভেরিএন্ট লৈবগী মথক্তা ষ্টেট কয়াদা ওমিক্রোন কেসশিং থেংনরিবসিনা মরম ওইদুনা মীৎয়েং হেন্না শানবা, অহেনবা দেটা এনালাইসিস অমসুং লাইচৎ লাকশিন্নবগী থৌরাংশিং মফম মফমগী ফিভমদা য়ূম্ফম লৌখৎপা মথৌ তাই।

টেষ্ট-ট্রেক ট্রিট ভেসিনেসন অমসুং কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেভিয়র ঙাকপা য়াবা মশা মঙা লোংবা ষ্ট্রেটেজি অসি মখা তানা মীৎয়েং থম্বা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়, অনৌবা ভেরিএন্ট ওমিক্রোনগী নুংনাংবা লাকপসিদা কোভিদ কেস মশিং হেনগৎহন্দবা ষ্টেট ইনফোর্সমেন্ট মেছিনরিনা হেল্থ প্রোটোকোলশিং অমসুং মীয়াম তিনবা মফমদা মাস্ক উপ্পা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং মেন্টেন তৌবগুম্বা এপ্রোপ্রিএট বিহেভিয়রগী কাঙলোনশিং চেকশিন্না ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্ট/য়ু টি এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা ওক্সিজেন সপ্লাই ইক্কিপমেন্ট ইন্সটোল তৌদুনা নীংথিনা মথৌ তাবা য়াহনগদবনি অমসুং মরু ওইবা দ্রগশিংগী বফর ষ্টোকসু থমগদবনি।

# পি এম মোদিনা লুপা ক্রোর ১১,০০০গী হাইদ্রোপৱার প্রোজেক্টশিং লোঞ্চ তৌখ্রে



মান্দি, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা 'ছোটি কাশি' হায়নসু খঙনবা মান্দিদা চৎতুনা লুপা ক্রোর ১১,০০০গী ওইগদবা হাইদ্রোপৱার প্রোজেক্টশিং শেমগৎ শাগৎনবগী উরেপ উয়ুং তমখ্রে। হাইদ্রো পৱার প্রোজেক্টশিং অদু হিমাচল প্রদেশকী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা ষ্টেট কয়াদা অহেনবা পৱার থাদোকপা ঙমহল্লগনি হায়রি।

চহী ৩০ রোম পন্দুনা লৈরক্লবা প্রোজেক্ট অমনা দেল্লীদা কান্নবা ফংহল্লগনি। প্রোজেক্ট অদুনা দেল্লীবু চহীদা ঈশিং সপ্লায় ক্যুবিক মিটর ৫০০ রোম ফংহল্লগনি। হিমাচল প্রদেশ গ্লোবেল ইনভেষ্টর্স মীটকী থৌরম ইনভেষ্টরশিংগী মীট অদুনা লুপা ক্রোর ২৮,০০০ রোমগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎপা হৌহন্দুনা ইনভেষ্টরশিংবু লমদম অদুদা শেল থাদবা হেনগৎহল্লগনি। অহানবা থৌরম অদু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা শরুক য়াদুনা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বরদা ষ্টেট কেপিটেলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ইনভেষ্টর ১০০ রোম্না শরুক য়াখি।

ষ্টেট চীফ মিনিষ্টর জয়রাম ঠাকুরনা হিমাচলি তুপী অমসুং শাল ওফর তৌদুনা প্রাইম মিনিষ্টরবু তরাম্না ওকখি। সিলভরনা শাবা চন্বাগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা আর্টিফেক্ট অমা মোদিদা খূদোল তমখি। মহাক্না থৌরম অদুদা ষ্টেট অদুদগী থাগৎলকপা কেবিনেট মিনিষ্টর অনুরাগ ঠাকুরগা লোয়ননা শরুক য়াখি। সংস্কৃত স্লোগ কয়া থীদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু ষ্টেট অদুদা বি জে পি গভর্ণমেন্ট লৈরকপা চহি মরি মপূং ফারকপগসু মরী লৈনখি।

# বিজয় মিশ্রাগী প্রোপর্টিশিংগী লিষ্ট ঈ দিনা আই টিদা খঙহল্লগনি

লক্ষ্ণৌ, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী): ইনফোর্সমেন্ট দিপার্টমেন্ট (ঈ দি) না ভাদোহিদগী কাবা য়ু পিগী এম এল এ ভিজয় মিশ্রাগী লোনা য়াদবা প্রোপর্টিশিংগী লিষ্ট ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট অমসুং অতৈ এজেন্সিশিংদসু খঙহল্লগনি।

মদুগী মতুংদা এজেন্সিনা মতুং তাবদা করি করি এক্সন লৌখৎকদগে হায়বদু লেপকনি। মিশ্রা হৌজিক প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং (পি এম এল এ)গী কেস অমগা মরী লৈননা অগ্রাগী জেলদা থল্লিবনি।

ঈ দিগী মতুং ইন্না, এম এল এ অসিগী বেনামি প্রোপর্টি (মীগী মমিংদা থম্বা প্রোপর্টি) কয়া প্রয়াগরাজগী অলাপুর, হন্দিয়া অমসুং ভাদোহিদা লৈ। সোর্স অমনা হায়রি মদুদি প্রোপর্টিশিং অদু লুপা ক্রোর চা কয়ামুক্কীনি। আই টি দিপার্টমেন্টনা এক্সন লৌখৎপা য়ানবা মখোয়না লিষ্ট অদু দিপার্টমেন্ট অসিদসু শিন্নরগনি।

সোর্স অসিনা মখা তানা হায়, অসিগুম্বা প্রোপর্টিশিং ফাজিন্নবগী প্রোসিদিংস হৌনবা ঐখোয়না লিগেল ওপিনিয়ন লৌরে। প্রোপর্টিশিং অসিগী মতাংদা মিশ্রানা পেন্নিংঙাই ওইবা পাউখুম পীবা ঙমদে। রিএল ইষ্টেটতা ইনভেষ্ট কয়াম তৌখিবগে হংবদা মহাক্না শেরান্নবা পাউখুম পীদুনা লান্না থাজহন্নবা হোৎনখি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিংগী সেক্সন ৫গী মখাদা প্রোপর্টিশিং ফাজিন্নবগী প্রোসিদিংশিং হৌরগনি।

সোর্স অসিগী মতুং ইন্না, মিশ্রাদা নত্তনা মখোয়না মহাক্কী মরী-মতাশিং অমসুং ইমুংগী মীওইশিংগী প্রোপর্টিশিংসু খঙদোক্লে। মসিসু মখোয়না ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টতা খঙহল্লগনি। এম এল এ মিশ্রা অসি পি এম এল এ য়াওনা কেস কয়াদা প্রোসিক্যুসন মায়োক্লরি। ঈ দিনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা মহাককী মায়োক্তা প্রোব চথুবা হৌখি। প্রয়াগরাজদা ঈ দি ওফিসকী টিম অমনা মেট্টর অদু য়েংশিল্লি। টিম অদুনা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট কয়ারক হন্না রেকোর্দ তৌখ্রে। হন্দক্তা ঈ দিগী ওফিসলশিংনা মহাকপু অগ্রা জেলদা ৱাহং-পাউহং চথুবগা লোয়ননা মহাক্কী ইলিগেল প্রোপর্টিশিংগী লিষ্টসু উৎখি।

# পঞ্জাবকী মীখলগীদমক বি জে পি, অমরিন্দর অমসুং সুখদেভ বিনসানা এলাইএন্স শেমখ্রে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী): মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্জাব এসেমব্লি মীখলদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি), হান্নগী কোংগ্রেস লীদর অমরিন্দর সিংহ অমসুং সুখদেভ সিংহ ধিনসাগী সিরোমনি অকালি দল (সনয়ুক্ত)না পূন্না থেংনমিন্নরগনি।



হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগী ওফিসল রেসিদেন্সতা পার্টি অহুমগী লুচিংবশিংগী মরক্তা পুং অমা চুপ্না মীফম চথরবা মতুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরিবা পঞ্জাবকী বি জে পি ইলেক্সন ইন-চার্জ গজেন্দ্র সিংহ সেখৱতনা ৱাফম অসি ওফিসল ওইনা লাউথোককখি।

মীফম অদুদা বি জে পিগী চীফ জে পি নাদ্দা, পঞ্জাব লোক কোংগ্রেস চীফ অমরিন্দর সিংহ অমসুং সিরোমনি অকালি দল (সনয়ুক্ত)কী চীফ ধিন্দসা অমসুং শেখৱতনা শরুক য়াখি। মহাক্না হায়খি, বি জে পি সেন্ট্রেল লীদরশিপ অমসুং সিংহনা ইঙ্গিৎ পীখিবগুম্না পঞ্জাবকী লাক্লিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা পার্টি অহুম অসিনা পূন্না থেংনমিন্নগনি। ঙসি পার্টি অহুমগী চীফশিংনা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা পার্টি অহুম অসি এসেমব্লি মীখল পূন্না থেংনমিন্নগনি হায়না ওফিসল ওইনা লাউথোক্লি।

সেখৱতনা মখা তানা হায়, পার্টি অহুমদগী অনী/অনী য়াওবা মেম্বর তরুক্কী কম্মিটি অমনা সিট স্যেরিংগী ফোর্মুলা লেপকনি। কম্মিটি মেম্বরশিংগী মিংশিং ঙসি ফাইনেলাইজ তৌরগনি। সিট স্যেরিং ফোর্মুলা লেপথোক্লবগীদমক কম্মিটিগী মীফম নোংমা নীনিগী মনুংদা পাঙথোক্লগনি।

পার্টি অহুম্না অপূনবা মেনিফেষ্টো অমসু শেমগনি। পঞ্জাব, শিখশিং, এগ্রিকলচর অমসুং ও বি সীগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং কুপ্না খন্নগনি অমসুং অপূনবা মেনিফেষ্টো অমা শেল্লগনি। মমাঙদা ষ্টেট অসিনা চাওখৎখিবা নুংঙাই য়াইফখিবদু অমুক হঞ্জিলহন্দুনা অনৌবা পঞ্জাব শেম্নবা এলাইএন্স অসিনা হোৎনগনি।

বি জে পি অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহনা লাক্লিবা এসেমব্লি মীখল পূন্না থেংনমিন্নগনি হায়না থা অসিগী ১৭তা লাউথোকখিবনি। অমরিন্দর সিংহনা মতমদুদা লাউথোকখিবদা ঐখোয়গী এলাইএন্স কনফর্ম তৌরে। সিট স্যেরিংগী ৱারীদমক শানরি। কনানা করম্বা সিট কন্টেষ্ট তৌগদগে হায়বদু লেপ্লগনি। মীখলদা মায় পাকপা য়াই হায়বসিনা সিট লেপ্পগী মরু ওইবা ক্রাইটরিয়া ওইগনি। বি জে পিনা কন্টেষ্ট তৌবা মফমদা ঐখোয়না শৌগৎকনি অমসুং ঐখোয়না কন্টেষ্ট তৌবা মফমদা মখোয়না ঐখোয়বু সপোর্ট তৌগনি। ঐখোয় শেম শারে অমসুং মীখল মায় পাকপা হায়বসি চাদা ১০১ শোইদ্রে।

পঞ্জাবকী মীখল উত্তর প্রদেশ, উত্তরাখন্দ, মণিপুর অমসুং গোৱাগা মান্ননা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী-মার্চতা পাঙথোক্লগনি।

# ক্লাসশিং ওনলাইন মোদতা হোংহন্নবা দোক্টরশিংনা সী এমদা হায়জখ্রে

চেন্নাই, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী): স্কুল অমসুং কোলেজ ক্লাসশিং ওনলাইন মোদতা মপূং ফানা হোংনবা টামিলনাদু গভর্ণমেন্ট দোক্টর্স এসোসিএসনন্না চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিনদা হায়জখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা চেরোল অমদা এসোসিএসনগী প্রেসিদেন্ট ডা. কে সেন্থিলনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী ওমিক্রোন ভেরিএন্ট অসি য়াম্না লৌনগনি অমসুং মসি মমাঙগী দেল্টা ভেরিএন্টতগী শরুক মরি হেন্না থুনা শন্দোকপা ঙম্মী।

মহৈরোয়শিংনা স্কুল অমসুং কোলেজশিংদা ক্লাস য়াওবা হায়বসি লায়না অসি য়াম্না থুনা অমসুং পাক-শন্না শন্দোরক্লবগী মরম ওইগনি। অদুনা লায়না পাক-শন্না শন্দোকপা থিংনবা ক্লাসশিং ওনলাইন মোদখক্তা তৌহনগদবনি। দোক্টরশিংগী বোদি অসিনা মখা তানা হায়, লায়না অসি থুনা শন্দারকপনা হৌজিক অসি অথিংবা কয়া লৈহনবগী চপ চারবা মতম্নি। করিগুম্বা হৌজিক লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎহৌদবা তারবদি লায়না-লাইচৎ শন্দোকপনা হানখিদুনা মী মশিং য়াম্না লায়না অসিনা শোকহল্লকপা য়াই।

করিগুম্বা লায়না অসি কা-হেন্না শন্দোরকপগী ফিভম লৈরবদি হৌজিক লৈরিবা হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসিনা থেংনবা ঙল্লক্তবা য়াই হায়নসু এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থমখি।

# গোৱাগী অহানবা ওমিক্রোন কেস দিটেক্ট তৌখ্রে

পনাজি, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী): গোৱাগী অহানবা ওমিক্রোন ইনফেক্সন চহী নিপালগী নুপামচা অমদা দিটেক্ট তৌখ্রে। হেল্থ মিনিষ্টর ভিশ্বাজিত রানেনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোরকপদা নুপামচা অদু দিসেম্বর ১৭তা য়ুনাইটেদ কিংদমদগী হল্লকখি।

ত্বিটর পোষ্ট অমদা মিনিষ্টরনা হায়, দিসেম্বর ১৭তা য়ু কেদগী লাকখিবা চহী ৮গী নুপামচা অমা টেষ্ট তৌবদা ওমিক্রোন পোজিটিভ ওইরে হায়বসি এন আই ভি পুনেনা কনফর্ম তৌরে।

ঐখোয়না গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী প্রোটোকোল মতুং ইন্না লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি অমদি মীয়ামগী য়েংদুনা এক্সপর্ট কম্মিটিনা পীবা পাউতাক্তা য়ূম্ফম ওইরগা গোৱা গভর্ণমেন্টনা মথৌ তাবা অকনবা চেকশিন থৌংশিং লৌখৎলগনি।

হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. ইরা অলমৈদানা ফোঙদোরকপদা, নুপামচা অদু মহাক্না লাকমিন্নখিবা মপাগা লোয়ননা সাওথ গোৱাদা লৈবা ষ্টেট ফেসিলিটিদা আইসোলেসন তৌখ্রে। মপা অদু টেষ্ট তৌবদা ওমিক্রোন ভেরিএন্ট নেগেটিভ ওইরবসু মহাক্কী সেম্পল অমুক হন্না টেষ্ট তৌগনি।

চৈরক অসিদা মশাগী চহী ১৩ শুরবা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা নুপামচা অমদি জিনোম সিকেন্সিংশিংদা ওমিক্রোন ভেরিএন্ট নেগেটিভ ওইরল্লে হায়রি।

# হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ইলেক্সন কম্মিসনদা কোভিদ-১৯গী রিপোর্ট সবমিট তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী): অনৌবা ভেরিএন্ট ওমিক্রোনগী কেসশিং য়াওনা লৈবাক অসিদা কোভিদ কেস হেনগৎলকপা অমসুং ভেক্সিনেসন কভরেজগী মতাংদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইলেক্সন কম্মিসনদা রিপোর্ট অমা সবমিট তৌখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না, ইলেক্সন কম্মিসন অমসুং য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট মঙাদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা লৈবাক অসিদা অনৌবা কোভিদ ভেরিএন্ট ওমিক্রোন হেনগৎলকপগী মতাংদা খন্নখি। ষ্টেটশিংদা ওমিক্রোন ভেরিএন্ট কদায় ফাওবা লৌনগনবগে হায়বগী মতাংদা হেল্থ সেক্রেটরি রাজেশ ভুশনন্না অকুপ্পা রিপোর্ট অমা সবমিট তৌখি।

মথং থা অহুমদা ওমিক্রোন কয়াম্না শন্দোরক্কদগে হায়বগী মতাংদা হংবদা হেল্থ সেক্রেটরিনা হায়, হৌজিক করিমত্তা চপ চানা হায়বা ঙমদে। হৌজিক লৈরিবা ইনফেক্সন রেটকী মতুং ইন্না, মথং থা খরা অসিদা নোংমদা কোভিদ কেস মশিং চাদা ২৫ রোম হেনগৎলকপা য়াই।

সোর্স অসিগী মতুং ইন্না, হেল্থ ওফিসলশিংনা আর ভেল্যু হেনগৎলবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী অকূপ্পশিং পীখি। ষ্টেট মঙা হায়বদি উত্তর প্রদেশ, মণিপুর, উত্তরাখন্দ গোৱা অমসুং পঞ্জাব এসেমব্লি মীখল মথং চহী ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

অদুম ওইনমক, এসেমব্লি মীখলগী সেদ্যুল জন্যুৱারীগী অহানবা চয়োলদা লাউথোক্লবা য়াই। উত্তর প্রদেশতা মীখলগী শেম-শাবগী ফিভম য়েংশিন্নবা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর (সী ঈ সী) অমসুং অতৈ ওফিসলশিং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ষ্টেট অসিদা চৎলবা য়াই।

# ভিলেজ হেদমেন নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎখ্রে

বালরামপুর, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী): মীখলগী য়েংথিনবগা মরী লৈনবা থৌদোক অমদা ভিলেজ হেদমেন অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে অমসুং অতোপ্পা অমনা অশোক অপন নংখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

রুপনগরগী ভিলেজ হেদমেন অমা ওইরিবা মশাগী চহী ৫৫ শুরবা রাধে শ্যাম বর্ম্মা নোংমাইজিং নুমিৎতা মহাক্কী লৌবূক্তগী ময়ূমদা হল্লকখি। মহাক মহারাজগঞ্জ টেরাই পুলিস সর্কল্ল এরিয়াদা মীওই খরনা নোংমৈনা কাপখি।

শ্যাম বর্ম্মবু হোস্পিটালদা পুবদা মতেং পাংখিবা মানিশ বর্ম্মসু নোংমৈনা কাপখি। মখোয় অনীমক হোস্পিটালদা পুখৎখি। মখোয়বু পুখৎখিবা হোস্পিটাল অদুগী দোক্টরশিংনা রাধে শ্যাম শিরে হায়রকখি অমসুং মনিশ বর্ম্মবুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা রিফর তৌখি।

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস) হেমন্ত কুটিয়ালনা ফোঙদোরকপদা মীওই মরিগী মায়োক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে অমসুং মখোয়বু ফানবা টিম মরি শেম্লে। মরা তপ্পা ফিভম লিংনবা ভিলেজ অদুদা অহেনবা পুলিস ফোর্স দিপ্লোই তৌখ্রে।

উত্তর প্রদেশতা মীখলগা মরী লৈননা য়েংথিনবদগী হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং মমাঙদগী থোক্তুনা লাক্লি। হন্দক্কী মীখলদসু মীশি-মীনা কয়া থোক্লবা য়াই হায়না মীপাইনরি।

# অহানবা মীখল থেংনবদা এ এ পিনা চান্দিগরগী সিট অয়াম্বা ফংখ্রে

চান্দিগর, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী): পঞ্জাবকী এসেমব্লি মীখল মাঙওইননা পাঙথোকখিবা চান্দিগর ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখলদা অহানবা ওইনা কন্টেষ্ট তৌখিবা অরভিন্দ কেজ্রিৱালগী আম আদমি পার্টি (এ এ পি)না সিট অয়াম্বা ফংখ্রে।



চান্দিগর সিটিগী সিভিক বোদি মীখল অদুদা বি জে পিনা অনীশুবদা লৈখি। চান্দিরগী রিজল্টশিং অদুনা মথং চহীগী অঙনবদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্জাবতা অহোংবা লাক্লগনি হায়বগী সিগনেল পীরে হায়না কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখ্রে।

ম্যুনিসিপাল সিট ৩৫গী মনুংদা এ এ পিনা ১৪ ফংখি, বি জে পিনা সিট ১২ ফংদুনা অনীশুবা সিট মশিং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা পার্টি ওইরে। কোংগ্রেসনা সিট নিপালতমক ফংখি অমসুং অকালি দলনা মমাঙগীগা মান্ননা সিট অমা ফংখি। পঞ্জাব অমসুং হরয়ানাগী কেপিটেল চান্দিগর ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখল ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখি।

সিভিক বোদি মীখলগী রিজল্ট অদুগী মতাংদা কেজ্রিৱালনা ত্বিট অমদা হায়, চান্দিগরগী ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনদা এ এ পিনা মায় পাক্লিবা অসিনা পঞ্জাবতা অহোংবা শোয়দনা লাক্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পী। মীয়াম্না অরান-অচুই অমদি শেঞ্জা-থুমজাগী পোলিটিক্স রিজেক্ট তৌদুনা এ এ পিবু খনখ্রে। পঞ্জাবনা হৌজিক অহোংবা লাকহন্নবগীদমক শেম-শারে। পঞ্জাবকী মীখলগা মরী লৈননা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অসি কেম্পেন কন্না তৌরকখিবনি।

এ এ পিগী রাঘভ চাদানা হায়, চান্দিগরগী মীখল অসি ট্রেলর অমনি, পঞ্জাবনা ফুল মুভি ওইরগনি। চান্দিগরদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা পঞ্জাবতা ওইরক্কদৌরিবা ফিভম অদু উৎলি।

বি জে পিগী য়াম্না নীংবা কায়নিংঙাই ওইরিবদি পার্টি অসিগী মেয়র রভি কান্ত শর্ম্মা অমসুং হান্নগী মেয়র দাভেশ সৌদগিল অনীমক এ এ পি কেন্দিদেটশিংনা মায়থিবা পীখি। তৌইগুম্বসুং, এ এ পিগী ইলেক্সন কেম্পেন কম্মিটিগী হেদ চান্দর মুখি শর্ম্মা মায়থিবা নংখি।

বি জে পিগী চান্দিগর স্পোক্সপর্সন নরেশ অরোরানা হায়, মমাঙগী সিভিক ইলেক্সন্দা চান্দিগরগী সিট ২৬ লৈখি। হন্দক্তা ভিলেজ খরা গ্রাম পঞ্চায়টতগী হোংলকখি অমসুং অর্বান সিভিক বোদিগী মখাদা লৈরকখি।

মমাঙগী মীখলদা বি জে পিনা সিট ২০ (অপূনবা সিটশিংগী চাদা ৭৭) ফংখি অমসুং মতমদুগী মীচং অকালি দালনা সিট অমখক ফংখি। বি জে পি-অকালি দলগা লম্বা তৌনখিবা কোংগ্রেসনা সিট মরি (চাদা ১৫) ফংখি।

লৌমীশিংগী প্রোটেষ্টনা মরম ওইদুনা চহী অসিগী অঙনবদা বি জে পি অমসুং অকালি দলগী পোপ্যুলরিটি হন্থরকখি। মহৌশানা চহী মঙা খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা চান্দিগর সিভিক বোদি মীখলদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসনা লম্বা কন্না তৌনদুনা লাকখি।

**[illegible]/খোঙ তোয়না হাম্বা অমাংথোঙদা পোমথোক্লগা অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না চিকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বদা মনাঙ অমদি কোঙ্গোল লোয়নরকপা, শা-ঙা, থাউ, মোরোক, পান, মাইরেন অসিনচিংবা চাবা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা ইশাদা হেমোগ্লোবিন ৱাৎশিল্লকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎপা মতমদা কোক ঙাওবা অমদি কল্লাক মরী নাবা, ঈ তাগনি খনবদা নোংম-নোংমগী হকচাং শোকচিল্লকপা ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা অমদি ময়েং তাশিল্লকপা, অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ তোয়না হাম্বা পূক য়েক্লগা খোঙ হাম্নিং তৌরগা লৈবা, শংলগা অদুম লৈনিংবা, খোঙ তোয়না হাম্লগা অমাংথোঙদা চাওথোকপা হেনগৎলকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা মনাঙ অমদি কোঙ্গোল লোয়নরকপা, মনাঙ-কোঙ্গোল হাম্লকপা মতমদা হকচাং চোকথ-ৱান্থবা হেনবা, নুমীৎ খূদিংগী শিথবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, ঙকশম মরী নাবা, শয়েং অনীমক চিকপা-নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **T. Ibochou Meitei**
Bashikhong

HL-B/7385/28

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VIII-KAK**

**Ref :- Mutation Case No. 572/AS & SO/VIII-Kak of 2021**

1. Kshetrimayum Ingo Singh S/o Ibochou Singh of Lamjao Mayai Leikai.
2. -do- Sanjoy Singh S/o Ibochou Singh of -do-
3. -do- Kumarjit Singh S/o Hemo Singh of -do-
4. -do- Hemanta Singh S/o Hemo Singh of -do-
5. -do- Samananda Singh S/o Hemo Singh of -do-
6. -do- Hemo Singh S/o Tomba Singh of -do-

-Petitioners

-Vs-

(Late) Kshetrimayum Mangoljao Singh S/o (L) Thabal Singh of Lamjao.

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Kakching, the 24th December 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ককচীং দিষ্ট্রিক্ট খুল নং ৬৯-ময়েংলমজাও, পাট্টা নং ৬২ অরিবা, ৩৮৭ অনৌবা, দাগ নং ৬৭৭ এরিয়া .৮৯ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। হায়রিবা মৃত ওইখ্রবা পাট্টাদারগী অপূনবা লমগী মনুংদগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা একর .৬৯৩ চাওবা লমগী শরুক অসি দংকারী ওইরিবা মশুশিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌবীনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ৪/১/২০২২ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাবীগদবনি। হায়রিবা নুমীৎ অসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌজ রোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুগনি।

Sd/- K. Niranjan Singh
Asst. Survey & Settlement Officer, Manipur

HL-P/1065/28

ꯑꯩꯈꯣꯏ ꯁꯄꯣꯔꯠ ꯇꯧꯏ (ꯄ꯭ꯔꯣꯐ.) ꯗꯣ. ꯅꯤꯃꯥꯏꯆꯥꯟꯗ ꯂꯨꯋꯥꯡ

**WE SUPPORT (PROF.) DR. NIMAICHAND LUWANG**



মখাদা সহি তৌজরিবা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Polling Station No. 32/37-Lipokpi Waithou গী ঐখোয় নুপীশিংনা (Prof.) Dr. Nimaichand Luwang গী লমজিং মখাদা Prime Minister Narendra Modi বু Support তৌনবা মেম্বর 27 না শাবা Women Volunteer Group অমা শেমজরে।

Group অসিনা BJP না Lead তৌবা Central Govt. বু লুচিংলিবা Prime Minister Shri Narendra Modi বু Support তৌবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ২০২২ গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা 12-Manipur Assembly গী Election দা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Candidate অমা ওইনবা থৌরাংজরিবা (Prof.) Dr. Nimaichand Luwang বুসু Support তৌজরি। Centre অমসুং State Govt. না পায়খৎলকপা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং পুম্নমক্তা য়াওশিন্দুনা মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নবা হায়বগী অচেৎপা ফিরেপসু লৌজরে।

**শৌগৎচরিবশিং :-**
**1. Aruna, President**
**2. W. Madhabi, Secretary**

HL-P/0998/28

ꯑꯩꯈꯣꯏ ꯁꯄꯣꯔꯠ ꯇꯧꯏ (ꯄ꯭ꯔꯣꯐ.) ꯗꯣ. ꯅꯤꯃꯥꯏꯆꯥꯟꯗ ꯂꯨꯋꯥꯡ

**WE SUPPORT (PROF.) DR. NIMAICHAND LUWANG**



Prime Minister Shri Narendra Modi না মণিপুর মীয়ামগীদমক পায়খৎপীরিবা তোঙান-তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং মায় পাক্না পাঙথোকপদা মতেং পাংনবগী পান্দমদা (Prof.) Dr. Nimaichand Luwang গী লমজিং মখাদা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Polling Station No. 32/20-Yairipok Keithel গী নুপীশিংগী ওইবা মেম্বর 14 না শাবা Women Volunteer Group অমা শেমজরে।

Group অসিনা India গী Prime Minister Shri Narendra Modi বু পূকচেল শেংনা Support তৌবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদবা 12-Manipur Legislative Assembly গী Election দা 32-Wangkhem Assembly Constituency দা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনবা থৌরাংজরিবা Prof. Dr. Nimaichand Luwang বুসু মপূং ফানা Support তৌজরি।

**Support তৌজরিবশিং :-**
**1. Ksh. Santibala, President**
**2. Ksh. Bidiyarani, Secretary**

HL-P/0998/28